

# সনালৈবাক স্পোর্টস



*বেদমিন্টন ৱার্ল্ড ফেদরেসননা নৌনা পুখোরকখিবা বেদমিন্টন মশান্নগী অনৌবা স্কোরিংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবা নুপাগী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান দেনমার্ককী ভিক্তর এক্সেলসেন*

*হান্না হোক্কি ইন্দিয়াগী সেনিয়র ভাইস প্রসিদেন্টকী থৌ পুরক্কদগী নৌনা লুপ অসিগী প্রসিদেন্টকী থৌ পুখ্রবা ইন্দিয়া মচা রাজিন্দর সিংহ*



## এসিয়ান ৱুমেন্স হোক্কি চেম্পিয়ন্স ট্রোফিকী অরোইবা রাউন্দ রোবিন মেটচতা ইন্দিয়া অমসুং সাউথ কোরিয়া পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে





*সাউথ কোরিয়াগী মায়োক্তা ইক্বেলাইজর চনখিবী ইন্দিয়াগী লালরেমসিয়ামী (য়েৎ) না টিমমেটকা হরাওবা ফোঙদোকমিন্নবা*

*দোংঘে সিটি , মে ১৯ঃ*

সাউথ কোরিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা লৈবাক অসিগী দোংঘে সিটিদা এসিয়াগী মকোক থোংবা নুপীগী হোক্কি শান্নবা লৈবাক ৫ না লম্বা তৌনদুনা চথরিবা এসিয়ান ৱুমেন্স হোক্কি চেম্পিয়ন্স ট্রোফিকী ঙসি শান্নখিবা রাউন্দ রোবিনগী অরোইবা মেটচতা ইন্দিয়া অমসুং সাউথ কোরিয়া পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে।

লৈবাক ৫ না লম্বা তৌনদুনা শান্নরিবা রাউন্দ রোবিনগী মেটচ ৪। ৪ শান্নবা লোইশিনখিবদা ইন্দিয়ানা মেটচ ৩ মায় পাকপা অদুগা অমনা দ্রো চৎতুনা পুন্না পোইন্ট ১০ ফংদুনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈখি।

য়ুম্বু সাউথ কোরিয়ানা মেটচ ২ মায় পাকপা অমদি মেটচ ২ দ্রো চৎতুনা অনীশুবা মফমনা লৈরি। অদুগা চাইনানা মেটচ ২ মায় পাকপা অমদি মেটচ ২ মায়থিবা নংদুনা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখি।

ইন্দিয়া অমসুং সাউথ কোরিয়ানা লম্বা তৌনখিবা রাউন্দ রোবিনগী অরোইবা মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা য়াম্না লম্বা মান্নরকখি। শান্নবগী অহানবা হাল্ফকী মিনট ২০ চঙশিল্লকপদা সাউথ কোরিয়ানা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমদা চিওন সিউল কিনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ইন্দিয়াবু ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মিনট ১০ রোম অদুদা সাউথ কোরিয়ানা চনশিল্লকখিবা পাঞ্জল অদু ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা হন্দোকপা ঙমদনা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদা পাঞ্জল অমা শোত্থরিবা ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কি শান্নরোইশিংনা ইক্বেলাইজর ফংনবা হোৎনদুনা সাউথ কোরিয়াগী মায়কৈদা এটেক কয়া তৌদুনা শান্নরকখি।

মতম খরা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনরুদ্রবা মতুং শান্নবগী ৪৯শুবা মিনটতা ইন্দিয়ানা পেনাল্টি কোর্নর অমা ফংখি।

খুদোংচাবা অদু ইন্দিয়াগী শান্নরোই লালরেমসিয়ামীনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা সাউথ কোরিয়াগা পাঞ্জল ১–১ দা মান্নদুনা লৈখি।

মেটচকী লেমহৌবা মিনট ১১ রোমগী মতম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা শান্নরকখ্রবসু অহেনবা পাঞ্জল অমত্তা চনশিনবা ঙম্মখিদবদগী মেটচ অদু পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখি।

এসিয়ান ৱুমেন্স হোক্কি চেম্পিয়ন্স ট্রোফি অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা রাউন্দ রোবিন মেটচ অমদা চাইনানা জপানবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

চাইনা অমসুং জপাননা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা চাইনাগী শান্নরোইশিংনা খুদুম চন্দুনা শান্নবা ঙমখি। শান্নবগী ৬শুবা মিনটতা চাইনাগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা সোং জিওমিংনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা জপানবু ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

জপানগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনদুনা শান্নখ্রবসু অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিল্লক্নবা ফাওবদা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৩২শুবা মিনটতা চাইনাগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা চত্থরকখিবা এটেক অমদা ঝাং জিনরোংনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা জপানবু ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

মেটচকী অপীবা মতম মিনট ৬০ লোইশিল্লবা ফাওবদা জপানগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা হন্দোকপা ঙমখিদবা অমদি চাইনাগী মায়কৈদগীসু মখা তাবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু চাইনানা জপানবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

এসিয়ান ৱুমেন্স হোক্কি চেম্পিয়ন্স ট্রোফি অসিগী হয়েং শান্নগদবা ফাইনেলদা পোইন্ট টেবলগী অহানবা অমসুং অনীশুবা পোজিসন তাখিবা ইন্দিয়া অমসুং সাউথ কোরিয়া লম্বা তৌনরগনি।

## ৯শুবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট সুত্তিং কম্পিটিসন ২০১৮ মিটর ১০ রাইফলদা আর কে মমতানা ফার্ষ্ট তাখ্রে



*ইম্ফাল, মে ১৯ঃ*

মণিপুর রাইফল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট রাইফল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা নুপা ৩৬ অমসুং নুপী ২১ পুন্না সুত্তর ৫৭না শরুক য়াদুনা ইভেন্ট ৩৭তা অথোই অহেন তান্নদুনা থা অসিগী ১৭তগী সুত্তিং রেঞ্জ খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চত্থরিবা ৯শুবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট সুত্তিং কম্পিটিসন ২০১৮ ঙসি পাঙথোকখিবা মিটর ১০ পিপ সাইট ইয়ার রাইফল ৱুমেন ইন্দিভিজ্যুলদা আর কে মমতানা ফার্ষ্ট পোজিসন তাখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা মিটর ১০ পিপ সাইট ইয়ার রাইফল ৱুমেন ইন্দিভিজ্যুল কম্পিটিসনদা আর কে মমতানা অপুনবা পোইন্ট ৩৭৩ স্কোর তৌদুনা ফার্ষ্ট, ভেরোনিকা অঙোম্না পোইন্ট ৩৬৩ স্কোর তৌদুনা সেকেন্দ অমদি ষ্টেসি লৈতাম্বেমনা পোইন্ট ৩৫৭ স্কোর তৌদুনা থার্দ পোজিসন তাখ্রে।

মিটর ১০ পিপ সাইট রাইফল জুনিয়ার ৱুনে ইন্দিভিজ্যুলদা এস তুল্কিনা পোইন্ট ৩৭৯, আর কে মমতানা পোইন্ট ৩৭৩ অমদি ভেরোনিকা অঙোম্না পোইন্ট ৩৬৩ স্কোর তৌদুনা মথংসিৎনা ফার্ষ্ট, সেকেন্দ অমদি থার্দ পোজিসন তাখ্রে।

মিটর ১০ ইয়ার পিস্তোল মেন ইন্দিভিজ্যুলদা কন্নিসন তোনাবমনা পোইন্ট ৩৭২, ভিক্তর নাওরেমনা পোইন্ট ৩৬৬, অজয় সিংহনা পোইন্ট ৩৬৩ স্কোর তৌদুনা মথংসিৎনা ফার্ষ্ট, সেকেন্দ অমদি থার্দ পোজিসন তাখ্রে।

মিটর ১০ ইয়ার পিস্তোল ৱুমেন ইন্দিভিজ্যুলদা গ্রীনলেন্দ ৱাংজমনা পোইন্ট ৩৫০, আই রীমানা পোইন্ট ৩৩৭, অমদি সলাম প্রেমিলানা পোইন্ট ২৩৬ স্কোর তৌদুনা মথংসিৎনা ফার্ষ্ট, সেকেন্দ অমদি থার্দ পোজিসন তাখ্রে।

মিটর ১০ ইয়ার পিস্তোল সব–জুনিয়ার মেন ইন্দিভিজ্যুলদা দুসরৎ কেএসঐচনা পোইন্ট ৩৪৩, অন্দ্রিয়ু তেলৈহৈবা লৈতানথেমনা পোইন্ট ৩৩৬, লোয়ুম্বা লৈতাম্থেমনা পোইন্ট ৩১৬ স্কোর তৌদুনা মথংসিৎনা ফার্ষ্ট, সেকেন্দ অমদি থার্দ পোজিসন তাখ্রে।

মিটর ১০ পিপ সাইট ইয়ার রাইফল জুনিয়ার মেন নোভিস ইন্দিভিজ্যুলদা দেভিসন খুংবোংময়ুমনা পোইন্ট ৩৩১ অমদি থেলফোমসাং খালিংনা পোইন্ট ২৬৫ স্কোর তৌদুনা মথংসিৎনা ফার্ষ্ট অমদি সেকেন্দ পোজিসন তাখ্রে।

মিটর ২৫ ষ্টেন্দর্ট পিস্তোল জুনিয়ার মেন ইন্দিভিজ্যুলদা কনিসন তোনাবমনা পোইন্ট ২১৯, অন্দ্রিউ তেলহৈবা লৈতাম্থেমনা পোইন্ট ২১২ অমদি কোংব্রাইলাৎপম অসিসনা পোইন্ট ১৭৮ স্কোর তৌদুনা মথংসিৎনা ফার্ষ্ট, সেকেন্দ অমদি থার্দ পোজিসন তাখ্রে।

মিটর ১০ ইয়ার পিস্তোল মেন নোভিস ইন্দিভিজ্যুলদা আই প্রসান্তানা পোইন্ট ৩২৫ অমদি এল কিরন কান্তানা পোইন্ট ২৬৮ স্কোর তৌদুনা মথংসিৎনা ফার্ষ্ট অমদি সেকেন্দ পোজিসন তাখ্রে।

মিটর ১০ জুনিয়ার ৱুমেন ইন্দিভিজ্যুলদা গ্রীনলেন্দ ৱাংজম পোইন্ট ৩৫০, জি জেসিনানা পোইন্ট ৩৩৬ অমদি পি সোফিয়ানা পোইন্ট ৩২৯ স্কোর তৌদুনা মথংসিৎনা ফর্ষ্ট, সেকেন্দ অমদি থার্দ পোজিসন তাখ্রে।

## খো খো ইন্টরনেসনেল টেষ্ট মেটচ সেরিজগী শান্নরোই অনী মণিপুরদগী খল্লক্লে

*ইম্ফাল, মে ১৯ঃ*

খো খো ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা এসিয়ান খো খো ফেদরেসনগী মখাদা থা অসিগী ২২দগী জুন ১ ফাওবা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট ৫ হায়বদি হায়দ্রবাদ, রাজস্থান, মহারাষ্ট্র, মধ্য প্রদেশ অমদি বিহারদা পাঙথোক্কদবা খো খো ইন্টিরনেসনেল টেষ্ট মেটচ সেরিজদা ইন্দিয়া টিমগী প্লেয়র ওইনা মণিপুরদগী শান্নরোই অনী অমদি টেক্নিকেল কো–ওর্দিনেটর অমা খল্লক্লে।

শান্নরোইশিং অদুদি এস ঐচ বোবি সিংহ হৈরোক অমদি কে কাপিলকুমার সিংহ ৱাবাগাই লোয়ননা শ্রী এম মধুসুদন সিংহ জেনরেল সেক্রেটরী এমএকেকেএ না টেক্নিকেল কো–ওর্দিনেটর ওইননি।

মেটচ সেরিজ অসি ইন্দিয়া অমদি নেপালগী মরক্তা শান্নগদবনি। অহানবা মেটচ হারিয়ানানা পরিদাবাদতা লাক্লিবা থা অসিগী ২২ দা পাঙথোক্কদবা অদুগীদমক শান্নরোই অনী ঙসি দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

## ইন্দোনেসিয়াগী এসিয়ান গেমসতা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিং খনবগী থবক মথং থাগী ২৬ দা লেপ্লগনি



*চেন্নাই , মে ১৯ঃ*

চহী অসিগী ওগষ্ট ১৮ দগী সেপ্টেম্বর ২ ফাওবা ইন্দোনেসিয়াগী সিটি অনী জার্কটা অমসুং পালেমবাংদা পাঙথোক্কদবা ১৮শুবা এসিয়ান গেমসতা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিং খনবগী মতম জুন ২৬ তা লেপ্লগনি।

জুন থাগী ২৬ তা বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী সেলেক্সন কমিতিগী মীফম ফম্লবা মতুং বোক্সর খনবগী থবক অসি চত্থগনি হায়না ফেদরেসন অসিগী সেক্রেটরী জেনরেল জয় কোলিনা ফোঙদোকখি।

সেলেক্সন প্রোসেস অসিদা অপনবা থোক্তনবা চহী অসিগী জনুৱারী ১ দগী জুন ২৫ ফাওবদা মখোয়–মখোয়না শরুক য়াখিবা নেসনেল অমসুং ইন্টরনেসনেলগী থাক্তা পাঙথোকখিবা কম্পিটিসনশিংদা উৎখিবা পার্ফোমেন্স অমসুং মখোয়–মখোয়গী লম্বাশিংগা থিন্নখিবা মওং মতৌ অদু য়েংলবা মতুং সেলেক্সন প্রোসেস অসি পাঙথোক্কদৌরিবনি।

ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপী বোক্সরশিংনা আয়রলেন্দ, কজাখষ্টান, রুশিয়া অমসুং মোঙ্গোলিয়াদা চৎতুনা ত্রেনিং অমসুং কম্পিটিসনশিংদা শরুক য়ারুগনি। নুপাগী টিম্না টুর্নামেন্ট ৪ দা শরুক য়াগনি অদুগা নুপীগী টিম্না টুর্নামেন্ট ৩ দা শরুক য়াগনি হায়না পাও অসিনা মখা তারি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী বোক্সরশিংগী মরক্তা মখোয়–মখোয়গী পার্ফোমেন্স য়েংননবগীদমক মে ৩১ অমসুং জুন ১৫ দা ত্রাইয়েল বাওটশিং পাঙথোক্কনি। অদুগা নুপীগী বোক্সরশিংগী ওইনা মথং থা জুন ১৬ তা পাঙথোক্কনি হায়নসু কোলিনা মখা তাখি।

বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা ত্রাইয়েল সেলেক্সন অসিদা শরুক য়াগদবা বোক্সরশিংদা চে পীখ্রে। সেলেক্সন প্রোসেস অসি করম্বা মওংদা পাঙথোক্কনি হায়বা অকুপ্পা মরোলশিং অদু চে অদুদা পল্লি হায়নসু বিএফআইগী সেক্রেটরী জেনরেল জয় কোলিনা মখা তাখি।

ইন্দিয়ান ওলিম্পিক এসোসিয়েসনদা ইন্দোনেসিয়াগী এসিয়ান গেমস অসিদা শরুক য়াগদবা বোক্সরশিংগী লিষ্ট পীখৎপগী মতম অসি মথং থাগী ৩০না অরোইবা মতমনি। করিগুম্বা মথৌ তারবদি ত্রাইয়েল সেলেক্সন অসি জুন ২৮ অমসুং ২৯ দা পাঙথোকনি।

ইন্দোনেসিয়াগী এসিয়ান গেমস অসিদা নুপাগী কেটেগোরিগী ওইনা কেজি ৪৯, ৫২, ৫৬, ৬০, ৬৪, ৬৯ অমসুং ৭২ দা তোঙান–তোঙানবা লৈবাকশিংদগী লাকপা বোক্সরশিংনা মেডলগীদমক লম্বা তৌনগনি।

অদুগা নুপীগী কাঙলুপ্তুনা কেজি ৫১, ৫৭ অমসুং ৬০ গী কেটেগোরিদা তোঙান–তোঙানবা বোক্সরশিং লম্বা তৌগদৌরি।

পনবা য়াবদি ওষ্ট্রেলিয়াগী গোল্ড কোষ্ট সিটিদা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী বোক্সিং দিসিপ্লিনদা গোল্ড মেডল ৩, সিলভর ৩ অমসুং ব্রোঞ্জ ৩ ফংদুনা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখিবনি।

## ইন্দিয়াগী স্রিরাম বালাজি অমসুং বিষ্ণু ভরদাননা সমরকান্দ চেলেঞ্জর মেন্স টেন্নিস টুর্নামেন্টকী দবলসকী টাইটল লৌখ্রে



*সমরকান্দ, মে ১৯ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপাগী দবলস পেয়র উজবেকিস্থানগী সিটি সমরকান্দদা চত্থরকপা য়ুএস দোলর ৭৫,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা সমরকান্দ চেলেঞ্জর মেন্স টুর্নামেন্টকী দবলসকী টাইটল লৌখ্রে।

চেলেঞ্জর টুর্নামেন্ট অসিদা অহানবা সিদেদ পেয়র ওইনা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী স্রিরাম বালাজি অমসুং বিষ্ণু ভরদাননা ফাইনেলদা লম্বা তৌগদৌরিবা রুশিয়াগী মিখাইল ইলগিন অমদি কজাখষ্টানগী দেনিস ইষ্টোমিন লাক্তবদগী ৱাল্ক ওভর ফংদুনা চেলেঞ্জর টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী টাইটল ফংবা ঙমখিবনি।

নীংশিংবা য়াবদি ইন্দিয়াগী স্রিরাম বালাজি অমসুং বিষ্ণু ভরদাননা সমরকান্দ চেলেঞ্জর টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেলদা কজাখষ্টানগী টিমুর খাবিবুলিন অমসুং য়ুক্রেনগী লাদিস্লাভ মানাফোভপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৭–৬(৭–১), ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

ইন্দিয়াগী স্রিরাম বালাজি অমসুং বিষ্ণু ভরদানননা সিজন অসিদা সেট অমত্তা মায়থিদনা চেলেঞ্জর টুর্নামেন্টকী দবলসকী টাইটল অনী লৌখ্রে। সিজন অসিগী অহৌবা টাইটল ওইদুনা চেন্নাই চেলেঞ্জর ট্রোফি লৌবা ঙমখিবনি।

মমাঙগী সিজনদা ইন্দিয়াগী স্রিরাম বালাজি অমসুং বিষ্ণু ভরদানননা চেলেঞ্জর্স টাইটল অনী থারগা পুন্না টাইটল ৯ লৌবা ঙমদুনা য়াম্না ফজবা ঙমখিবনি।

অতোপ্পা পাও অমদা চাইনাগী সিটি ৱুহানদা চত্থরিবা য়ুএস দোলর ২৫,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা আইটিএফ ৱুমেন্স টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস সেমি ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই রুতুজা বোসালে চাইনাগী শান্নরোই য়ুই য়ুৱানগী মখূত্তা ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিহৌখি।

অহানবা সেট অদুদা ইন্দিয়াগী রুতুজা বোসালেগী মায়কৈদগী য়াম্না অকনবা লম্বা পীদুনা শান্নরকখ্রবসু চাইনাগী য়ুই য়ুৱাননা মহাক্কী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেট অদুদসু ইন্দিয়াগী রুতুজা বোসালেবু চাইনাগী য়ুই য়ুৱাননা সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা সেট অদু থোইদুনা চাইনাগী য়ুই য়ুৱান ৱুহানগী আইটিএফ ৱুমেন্স টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

## ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগ টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ৫২শুবা মেটচতা দিল্লি দেয়রদেভিলসনা চেন্নাই সুপর কিংসপু রন ৩৪ দা মায়থিবা পীখ্রে





*ন্যু দিল্লি , মে ১৯ঃ*

মালেমগী টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরিবা ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগ টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৫২শুবা লীগ মেটচতা দিল্লি দেয়রদেভিলসনা চেন্নাই সুপর কিংসপু রন ৩৪ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অদুগী টোস চেন্নাই সুপর কিংসনা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। দিল্লিনা বেট্টিং হান্না তৌরকপদা ওভর ২০ শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১৬২ লৌবা ঙমখি।

ওপনর ওইখিবা পৃথিবী সো শুপ্পগী রন ১৭ তা আওট ওইখি। অতোপ্পা ওপনর স্রিয়েস আয়রসু রন ১৯ খক লৌরম্বদগী দিল্লিগী ইন্নিংস অদু ফিভম শোকখি।

অহুমশুবা বেটসমেন ওইনা থোরকখিবা রিসাভ পন্টনা দিল্লিগী ইন্নিংস অদু রন ৮১ য়ৌহল্লকখি। পন্ট বোল ২৬ মায়োক্নবদা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৩ য়ৈরগা রন ৩৮ লৌদুনা লৈরিঙৈদা চেন্নাইগী বোলর গিদিনা আওট তাহনখি।

৫শুবা বেটসমেন বিজয় সঙ্কর অমসুং ৭শুবা বেটসমেন হর্সা পটেলনা আওট ওইদনা মথং শিংনা রন ৩৬ / ৩৬ লৌরম্বা অদুনা দিল্লি দেয়রদেভিলসকী স্কোর অদু ওভর ২০ শান্নবা লোইশিল্লকপদা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১৬২ লৌবা ঙমখি।

চেন্নাই সুপর কিংসকী মায়কৈদগী মায় পাকপগী রন ১৬৩ গী টার্গেট লৈখিবা অদু ওভর ২০ শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৬ তুরগা শুপ্পগী রন ১২৮ খক লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু দিল্লিগী মখূত্তা রন ৩৪ দা মায়থিহৌখি।

চেন্নাইগী মায়কৈদগী ওপনর ওইখিবা অম্বাতি রায়ুদুনা বোল ২৯ মায়োক্নবদা সিক্স ৪ অমসুং ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৫০ লৌবা ঙমখিবা অদুনা ইন্নিংস অদুগী খ্বাইদগী ফজবা স্কোর ওইখি। অতোপ্পা ওপনর সেন ৱাটসন শুপ্পগী রন ১৪ খক লৌরম্লগা মিস্রাগী বোলদা আওট ওইখি।

৬শুবা বেটসমেন রবিন্দ্র জাদেজানা আওট ওইদনা বোল ১৮ দা সিক্স ২ গা লোয়ননা রন ২৭ লৌরম্বা অদু টিম অদুগী শিংথাবা য়াবা স্কোর ওইখি।